# বরানসিদগী মীরেপ ওইরিবা পি এম মোদি কেদরনাথ খুরুম্বা চৎপদা গেরুৱা শেৎতুনা শুরুংদা মেদিটেট তৌখি



**কেদরনাথ, মে ১৮ঃ**

নেসনেল ইলেক্সনগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক, হয়েঙ নোংমাইজিং নুমিৎ মে ১৯দা উত্তর প্রদেশকী বরানসিদগী মহাক্কী অনীশুবা তার্ম অমগীদমক মীখল থেংনরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তরখন্দগী কেদরনাথ লাইশঙদা চৎতুনা লাই খুরুমখ্রে। হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতূংদা দিল্লিদা অমুক হন্দ্রিঙৈগী মমাঙ মহাক বদ্রিনাথ শ্রাইনদসু চৎকনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী উত্তরখন্দদা লাক্লিবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অসিদা কেদরনাথ মনাক্কী হোলি কেব অমগী মনূংদা গেরুৱা ফিজেল শেৎতুনা মেদিটেট তৌখি।

বি জে পি উত্তরখন্দনা ত্রিব্রৈদা থাগৎলকপা পিকচরশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি (৬০)না গেরুৱা মচুগী ফিজোল শেৎতুনা ফমুং অমগী মথক্তা শুরুং মনূংদা ফমদুনা মেদিটেদ তৌদুনা লৈবদু উৎলি। অতোপ্পা পিকচর অমদনা কেব অদুগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখুৎ লোন্নদুনা খুরুম্বা উৎলি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মহাক্কী টার্ম মনূংদা লোর্দ শিবদা কখোকপা হিমালায়ান শ্রাইন অসিদা কয়ারক হন্না লাক্কুনা খুরুমখ্রে।

মসিগী মমাঙদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কেদরনাথ দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টসু রিভ্যু তৌখি। ২০১৩দা শাথিবা ঈশিং–ঈচাওনা ষ্টেট অসিদা অমাঙ–অতা থোকহনখিবা অদুগী মতুংদা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা টেম্পল টাউন অসিদা লাক্লিবা অসি হৌজিক চখরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী অরোইবা তাঙ্ককতা বরানসিদগী মীরেপ ওইরিবা অদুগী অরোইবা লাইবক চাংয়েঙগী নোংমগী মাঙওইননিনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীরেপ ওইরিবা হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি বরানসি অসি উত্তর প্রদেশতা হয়েং অরোইবা তাঙ্ককতা ভোট থাদনগদৌরিবা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ১৩গী মনূংদগী অমনি।

কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি মহারাজগঞ্জ, গোরখপুর, কুসিনগর, দিওরিয়া, বান্সগাও (এস সি), ঘোসি, সালেমপুর, বাল্লিয়া, ঘাজিপুর, চিন্দাওলি, মির্জাপুর, রোবার্টসগঞ্জ (এস সি) অমসুং বরানসিনি।

তাঙ্কক অসিদা বি জে পিনা লোক সভা সিট ১১ কন্টেষ্ট তৌরি। মসিগা চৎমিন্নবা অপনা দল (সোনেলাল)না সিট ২ –মিরজাপুর অমসুং রোবার্টসগঞ্জ কন্টেষ্ট তৌরি। মিরজাপুরদি হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনুপ্রয়া পতেলনা পায়রিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনোজ সিংহ, উত্তর প্রদেশ বি জে পি চীফ মহেন্দ্র নাথ পান্দেনা মথংসিংনা ঘাজিপুর অমসুং চিন্দাওলিদগী মীখল থেংনরগনি।

গোরখপুর সিটতা কোংগ্রেসকী মধুসধন ত্রিপাথি অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী রমভুলাল নিসাদকী মায়োক্তা বি জে পিনা ভোজপুরি এক্টর রবি কিশন লপ্পা থেঙনহল্লি।

২০১৪ লোক সভা মীখলদা উত্তর প্রদেশকী অপূনবা সিট ৮০গী মনূংদা বি জে পিনা ৭১, বি জে পিগা চৎমিন্নবা অপনা দলনা ২, সমাজৱাদি পার্টিনা ৫, কোংগ্রেসসু ২ ফংখি। অদুবু বি এস পিনা ভোটকী চাদা ১৯.৭৭ ফংলবসু সিট অমত্তা ফংখিদে।

---

# চাংয়েংদা জপানগী নেক্স–জেনরেসন শিনকান্সেন বুল্লেট ট্রেন পূংদা কিমি ৩২০ য়াঙনা চেনখ্রে



**কোকিও, মে ১৮ঃ**

পেসেঞ্জর পুদুনা চেল্লকপা মতমদা খ্বাইদগী য়াঙবা ট্রেন অদু ওইগদৌরিবা জপানগী নেক্স–জেনরেসন শিনকান্সেন বুল্লেট ট্রেনগী প্রোটোটাইপ অমা শগোলশেল নুমিৎতা চাংয়েং ওইনা থৌবদা পূংদা কিলোমিটর ৩২০ (মাইল ১৯৮) য়ৌনা য়াঙখ্রে।

ইষ্ট জপান রেলৱেগী মতুং ইন্না চহী ১০ রোমগী মনূংদা মসিনা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা চেনবা হৌরকপদা কোদ–নেম অলফা – এক্স কৌবা ট্রেন অসিনা পূংদা কিলোমিট ৩৬০গী অয়াঙবা য়ৌনা চেনগনি হায়রি।

অশাংবা নাতোন মানবা মকোক পানবা কার ১০গী ট্রেন অদু পুথোকপগী থবক য়েন বিল্লিয়ন ১০ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৯১) চঙনা মে থাগী অঙনবদগী পুথোকপা লোইখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদগী চাংয়েংগী চেনবা হৌখিবা মতূংদগী শগোলশেল নুমিৎকী চাংয়েং–অৱাং থংবা জপানগী সিটি ২–সেন্দাই অমসুং মোরিওকাগী মরক্তা চেনখিবা অদুনা মেদিয়াদা য়েংহনখিবা অহানবনি। ঐখোয়না ঙসি মায় পাক্লা চাংয়েঙ পাংথোকখ্রে অমসুং চহী ৩ লোম ট্রেন অসি চাংয়েং মখা চত্থখিগনি হায়না কম্পেনিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

ট্রেন অসি লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা হোক্কাইদো ঈথৎকী খ্বাইদগী চাওবা সিটি সাপ্পোরো ফাওবা শিনকান্সেন সার্ভিসিশিং শাংদোকহন্দুনা ২০৩০ – ৩১দা চেনবা হৌনবা ফার্ম অসিনা থৌরাং তৌরি।

নেক্স–জেনরেসন শিনকান্সেননা চৎপগী মতম তেনশিহন্নবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়না চেনবগী চাংয়েং অদুদা শরুক য়ারিবা ওফিসিয়েল কাজুনোরি কোয়ামানা হায়খি।

হায়–স্পীদ রেল নেটৱার্কশিংগী মাঙজিন থাবা অমা ওইরিবা জপানবু মখোয়গী মতম চাংনাইবা অমসুং অশোয়–অঙাম থোকহন্দনবগী থবক লৌখৎপগীদমক থাগৎন্নে। মখোয়না লৌখৎলিবা অশোয় – অঙাম থোক্তনবগী থবকশিং অদুগী মনুংদা অচৌবা য়ুহার–হাবা অমা থোক্লিঙৈগী মমাঙদা চেল্লিবা ট্রেনগী অয়াঙবা অদু মশা মতোমতা তপথহনবা ঙম্বা ইমর্জেন্সি ষ্টোপ সিষ্টম অমসু য়াওরি।

কম্পেনি অদুগী মতুং ইন্না ষ্টীল বুল্লেট ট্রেন অমগীদমক মালেমগী খ্বাইদগী য়াঙবা কম্মর্সিয়েল স্পীদ অদু অলফা–এক্সনা য়ৌগনি হায়রি।

---

# লৈঙাক্কী অরোনবশিং চিনাদা য়োনবগীদমক হান্নগী য়ু এস স্পাই জেলদা চহী ২০ চৈরাক পীখ্রে



**আলেকজেন্দ্রিয়া, মে ১৮ঃ**

চাইনিজ গভর্ণমেন্টতা ক্লাসিফাইদ দোকুমেন্টশিং য়োনখিবা হান্নগী দিফেন্স অমসুং ইন্টিলিজেন্স কন্ট্রেক্টর, ঙরাং ইরাই নুমিৎতা জেলদা চহী ২০গী চৈরাক পীখ্রে।

কেভিন পি মেলোরি (৬২) ভর্জিনিয়াগী লীসবর্গতগীনি মহাক সেন্ট্রেল ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি (সি আই এ) অমসুং দিফেন্স ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি (দি আই এ)গী থবকসু তৌখিবা আর্মি ভেটেরান অমনি।

২০১২দা সি আই এ কন্ট্রেক্টর অমা ওইনা থবক তৌবা তোক্ত্রিবা ফাওবা মহাক টোপ–সেক্রেট সেক্যুরিটি ক্লিয়ারেন্স অমা ফংখি। অদুদগী মহাক মশাগী কন্সলটিং ব্যুজিনেস হৌখি।

অদুবু চহী ৫গী মতুংদা মহাক্কী ব্যুজিনেস লৈখা তারকখি অমসুং লিজবর্গতা লৈবা মহাক্কী দোল্লর ৯০,০০০ গী য়ুম মাঙবা য়াবগী খুদোঙথিবা তাখি হায়না প্রোজিক্যুটরশিংনা হায়খি।

ফেব্রুৱারি ২০১৭দা চানিজ স্পাই এক্টিভিটিগী ফ্রন্ট অমা ওইগনি হায়না প্রোজিক্যুটরশিংনা থাজখিবা থিঙ্ক–টেঙ্ক সাংহাই একাদেমি ওফ সোসেল সাইন্সেসকী রিক্র্যুটর অমনা সোসেল নেটৱাকিং সাইট লিঙ্কইনদা মহাকপু কন্টেক তৌরকখি।

মদুগী মতুংদা মহাক্লা চিনাদা খোঙচৎ অনীরক চৎখি। মদুদা অরোনবা ৱারি শান্নবা মোদিফাইদ মোবাইল ফোন অমা চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা পীরকখি অমসুং মহাক্লা পীবা দোকুমেন্টশিংগী মহুৎ ওইনা শেন ওইনা দোল্লর লিশিং ২৫ পীরকখি হায়বদু ইভিদেন্সনা উৎখি।

দোকুমেন্টশিং অদুগী মনূংদা ৮দি ক্লাসিফাই ইনফোর্মেসন য়াওই অদুবু মদুগী মনূংদা ৬ তশেংনমক চিনাদা থাখিব্রা হায়বদু শেংনা খংদে হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

মেলোরিবু জুন ২০১৭দা ফাখি। জুন ২০১৮দা জুরি অমনা গভর্ণমেন্টনা পুখৎলকখিবা এস্পিওনেজগী মরান ৪দা মেলোরিবু কনভিক্সন পীখি।

ভলন্টরি ফেদরেল সেন্টেন্সিং গাইদলাইন্সকী মতুং ইন্না মেলোরিবু পূন্সি চুপ্পগী চৈরাক পীগদবনি অদুবু য়ু এস দিষ্ট্রিক্ট জজ টি এস এল্লিসনা চাইনিজশিং অদুদা ইন্টিলিজেন্স এসেটস ফোঙদোকখিদবা মরমনা মহাক্লা চৈরাক অদু পীখিদবনি হায়খি।

চিনাবু তেঙবাংবগীদমক হৌখিবা চহী খরসিদা মরান শীখিবা হান্নগী ইন্টিলিজেন্স ওফিশার ৩গী মনূংদা মেলোরিসু অমনি। হান্নগী সি আই এ কেস ওফিসার অমা ওইরিবা জেরি চুন সিং লীবু চাইনিজ গভর্ণমেন্টকীদমক স্পাই ওই হায়না ইন্টিলিজেন্স কম্যুনিটিনা মতম শাংনদগী চীংনরকখিবনি। মহাক ভর্জিনিয়াদা থা অসিদা মরান য়াজখ্রে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট জজ এল্লিসনা মহাকপুসু চৈরাক পীরগনি।

হান্নগী দিফেন্স ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি ওফিসার রোন রোকৱেল হন্সেনসু চিনাদা দিফেন্স ইনফোর্মেসন থানবা হোৎনবগা মরীলৈননা মার্চ থাদা উতাহদা মরান য়াজখি।

---

## রাত্রি দেবীগী য়ুমদা সি আর পি এফ পার্সোন্নেল সুইসাইদ তৌখ্রে

**পাতানা, মে ১৮ঃ**

বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাব্রি দেবীগী য়ুমদা থম্বা সি আর পি এফ জৱান অমা মশাগী সার্ভিস রিভোলভরনা মশা মতোমতা কাপশিজদুনা সুইসাইদ তৌখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সি আর পি এফ কনষ্টেবল গিরিয়াপা কিরাসুর (২৯)না আর জে দি লূচীংবী অদুগী হায়–সেক্যুরিটি সার্কুলর রোদ বঙ্গলোদা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা মশা মতোমতা কাপ্পুনা শিখি হায়না দিপুটি সুপরিন্টেন্দেন্টে ওফ পুলিস (সেক্রেটরিয়েৎ) এ কে প্রভাকরনা হায়খি।

পাউশিংগী মতুং ইন্না মমাঙগী নুমিৎতা কিরাসুরনা টেলিফোনদা মহাক্কী নুপীগা কন্না মরৈ য়েৎনখি। মদুগী মতুংদগী মহাক ৱাখল নুংঙাইখিদবনি হায়রি।

---

# চন্দ্রবাবু নাইদুনা বি জে পি নত্তবা ফ্রন্ট শেম্নবা ওপোজিসন লূচীংবশিং উন্নরি



**ন্যু দিল্লি, মে ১৮ঃ**

অন্দ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা নন–বি জে পি ফ্রন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী উন্নদুনা খন্নরুরবগী মতুংদা সমাজৱাদি পার্টি চীফ অখিলেশ যাদব উন্নখ্রে।

মহাক্লা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী চীফ শরদ পৱারগসু উন্নখ্রবনি। তেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি) লূচীংবা অসিনা হোৎনরক্লিবা অসি লোক সভা মীখলগী ফলদা পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফংবা ঙমদবা য়াবগী ফিভম অদুগীদমক থৌরাং তৌনবা য়ু পি এ চিয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধীনা মপূং ওইনা শিন্দুনা মে ২৩দা পাংথোক্কদৌরিবা ওপোজিসন লূচীংবশিংগী অচৌবা মীফম অমগী মাঙওইননিনি।

মিষ্টর নাইদু (৬৯)না উত্তর প্রদেশতা এলায়েন্স পার্টনরসিপ ময়াবতি অমসুং অখিলেশ ঙসি নুমিদাংৱাইরম লখনৌদা উন্নরবা য়াই। মহাক্লা ঙরাং সি পি আই (এম) লূচীংবা সিতারম য়েচুরি অমসুং আম আদমি পার্টি (এ এ পি)চীফ অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল উন্নখ্রে।

ঐখোয়না টি আর এসতা নত্তনা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবা পার্টি খুদিংমক তরান্না ওকই। ঐখোয়গী অচৌবা এলায়েন্স অসিদা য়াওনবগীদমক ঐখোয় অসিগুম্বা পার্টি পূন্নমক তরান্না ওকই হায়না মঙোন্দা কোংগ্রেসনা লূচীংবা এলায়েন্সনা তেলাঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি (টি আর এস) চীফ কে চন্দ্রশেখর রাওগা খুৎশন্নবা য়াগদ্রা হংলকখিবদা মিষ্টর নাইদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চন্দ্রবাবু নাইদুগী থীনা য়েংথিনবা অমা ওইরিবা কে চন্দ্রশেখর রাওনা নন–বি জে পি, নন–কোংগ্রেস ফ্রন্ট অমা শেম্নবা হোৎনদুনা মহাক মশাগী ওইবা মিসন অমদা থবক চিল্লক্লিবনি।

থা অসিগী অঙনবদা চন্দ্রবাবু নাইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা উন্নখ্রে অমসুং মহাক্লা লোয়ননা মীফম ২ ফাওবা য়াওখ্রে।

---

## টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে

**শ্রীনগর, মে ১৮ঃ**

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা ঙসি খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে হায়না আর্মিগী লিখুল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

টেরোরিষ্ট লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা অৱন্তিপোরাদা চংশিনখি, মদুদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকন অনী খূৎ থোক্লখি অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোকখি।

---

# স্পেন নেভিগী জহাজ মুম্বাইদা থুংলখ্রে



**মুম্বাই, মে ১৮ঃ**

ঙসিদগী মে ২৩ ফাওবগী খোঙচৎ অমদা স্পেনিস নেভিগী জহাজ মেনদেজ নুমেজ (ফ্রিগেট)না ওফিসিয়েল ৩০গী ক্রু অমসুং সেল্লর ১৩৫গা লোয়ননা মুম্বাইদা লাক্লি।

মুম্বাই পোর্টতা থুংলখ্রবা মেন্দেজ নুমেজগী কম্মান্দিং ওফিসার অদুনা মহারাস্ত্রা নেভেল এরিয়াগী ফ্লেগ ওফিসার কম্মান্দিং রিয়ার এদমিরেল রাজেশ পেন্ধারকরগা ৱারী শান্নগনি হায়না দিফেন্স প্রেস নোট অমনা হায়রি।

স্পেনিস নেভিশিং অদুনা মুম্বাইদা লাকপা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়রি।

---

# গল্ফতা য়ু এসকী লানগী জহাজশিংদা লায়না এটেক তৌবা ঙম্মি হায়না ইরানন ফোঙদোকখ্রে



**দুবাই, মে ১৮ঃ**

ৱাসিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা ৱাজাও ঙাংনদুনা চত্থরকখিবা ৱাহেগী লানগী খ্বাইদগী নৌবা ওইনা গল্ফতা লৈবা য়ু এসকী লানগী জহাজশিংদা মখোয়না লায়না এটেক তৌবা ঙম্মি হায়না ঙরাং ইরাননা ফোঙদোকখ্রে। মরকসিদা ইরানগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটনা য়ু এস সেঙ্কসন্সশিংগী মায়োক্তা থেংননবা অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্টনা থোকখিবা ন্যুক্লিয়ার দিল কন্নবা থবক চত্থখ্রে।

নুমিৎ খরনি অসিদা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। বাগদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদগী দিপ্লোমেটিক ষ্টাফ খরা য়ু এসনা লৌথোকখি।

ফারস ন্যুজ এজেন্সিনা ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দসকী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারসকী দিপুটি মোহমদ শালেহ জোকারগী ৱাফম পল্লদুনা ঐখোয়গী সোর্থ –রেঞ্জ মিসাইলশিংনা ফাওবা পার্সিয়ান গল্ফতা য়ু এসকী লানগী জহাজশিংদা লায়না য়ৌবা ঙম্মি হায়খি।

অমেরিকানা অনৌবা লান অমগী মমল অদু পীবা ঙম্লোই। মেন পৱার অমসুং সোসিয়েল কন্দিসনগী মওংদা লৈবাক অদু ফৎতবা ফিভম অমদা লৈ হায়না মহাক্লা হায়খি।

হেন্না কনবা য়ু এস সেঙ্কসন্সশিংগী চৈথেঙনা ইরানগী ইকোনোমি চহী ২ লৈখা তারকপা য়াই অমসুং ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৪০ য়ৌগনি হায়না হৌখিবা থাদা ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দগী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। ইরানগী ন্যুক্লিয়ার ৱিপন্স প্রোগ্রাম অমা চত্থখি অদুবু মদু কোন্না তোকখিবনি হায়না য়ু এস অমসুং য়ু এন ন্যুক্লিয়ার ৱাটচদোগনা থাজরি। অদুবু অদুগুম্বা প্রোগাম অমা চত্থখি হায়বদু টেহরাননা য়াখিদে।

---

# লোক সভা মীখলগী ৭শুবা তাঙ্কক্তা পি এম মোদি য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়া মীখল থেংনরি



**ন্যু দিল্লি, মে ১৮ঃ**

হয়েঙ নোংমাইজিং নুমিৎ মে ১৯দা লোক সভা মীখল ২০১৯গী ৭শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনবদা ভোটর ক্রোর ১০ হেনবনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৮দা সিট ৫৯দা মীরেপ ৯১২গী মরাইবক লেপকদৌরি।

ভোট থাদনগদৌরিবশিং অদুদি পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, বেঙ্গল, মধ্য প্রদেশ, বিহার, হিমাচল প্রদেশ, ঝরখন্দ অমসুং চান্দিগড় নি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রশাদ, বি জে পি লোমেকর অমসুং ভেটেরান এক্ট্রেস কিরোন খের, কোংগ্রেস লিদর শত্রুঘন সিংহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং এস এ দি লিদর হরসিম্রত কৌর বাদল অমসুং এক্টরদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা সন্নি দিওলনচীংবা য়াওরি।

অতৈ মরুওইবা লূচীংবশিংগী মনূংদা হান্নগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর সুখবীর সিংহ বাদল, আর জে দি লিদর মিশা ভারতি (বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লালু প্রশাদ যাদবকী মচানুপী), য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লিদর রাম কৃপাল যাদব, লোক সভাগী হান্নগী স্পিকর মৈরা কুমার অমসুং ভোজপুরি এক্টরদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা রবি কিসন য়াওরি।

বিহারদা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা পাতনা সাহিবতা কোংগ্রেসতা য়াওখিবা বি জে পি রিবেল লিদর সত্রুঘন সিনহগী মায়োক্তা কন্টেষ্ট তৌরি। ষ্টেট অসিদা অতৈ শক্লাইরবা মীরেপশিংদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লিদর– রাম কৃপাল যাদব, হান্নগী লোক সভা স্পিকর মৈরা কুমার অমসুং হান্নগী বিহার চীফ মিনিষ্টর লালু প্রসাদ যাদবকী মচানুপী মিসা ভারতিনি।

হিমাচল প্রদেসতা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনূংদা ৱি জে পি লোমেকরশিং অনুরাগ সিংহ থাকুর অমসুং রাম শ্বরুপ শর্মা য়াওরি।

ঝরখন্দদা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শিভু সোরেন অমসুং বি জে পি লোমেকর নিসিকান্ত দুবেনি। মধ্য প্রদেশতা অকনবা মীরেপশিংগী মনূংদা বি জে পি লোমেকরশিং নন্দ কুমার সিংহ চৌহান, সুধির গুপ্তা অমসুং কোংগ্রেস লূচীংবশিং কান্তিলাল ভুরিয়া অমসুং অরুন যাদব য়াওরি। পঞ্জাবতা সন্নি দিওল, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং এস এ দি লিদর হরসিম্রত কৌর বাদল, কোংগ্রেস লিদর মনিস তিৱারি, হান্নগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদল, এ এ পি লোমেকর ভগৱন্ত মান শক্লাইরবা মীরেপশিংগী মনূংদা য়াওরি।

উত্তর প্রদেশতা মকোক থোংবা মীরেপশিংগী মনূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ভোজপুরি এক্টরদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা রবি কিসন, বি জে পি লোমেকর কামলেস পস্বান অমসুং হান্নগী কোংগ্রেস লোমেকর আর পি এন সিংহ য়াওরি।

বেঙ্গলদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস চীফ অমসুং ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর মমতা বিনর্জিগী মখুরাগী মচা অভিসেখ বেনরজি অমসুং সুধিব বন্দ্যেপধ্যায় অমসুং শৌগতা রোইনাচীংবা টি এম সি লূচীংবশিং অমসুং বি জে পিগী মীরেপ সুভাসচন্দ্র বোসকী গ্রান্দ–নিফ্যু চন্দ্র কুমার বোস য়াওরি।

চান্দিগড়দা অকনবা মীরেপশিংগী মনূদং বি জে পি লোমেকর কিরোন খের অমসুং কোংগ্রেসকী পস্বান কুমার বনশাল য়াওরি।

---

# এন জি ও ৱার্কর ৫ গেঙ–রেপ তৌখিবা মীওই ৬ মপূন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে

**রাচী, মে ১৮ঃ**

এন জি ও অমগী নুপী আর্টি ৫বু রেপ তৌখিবগী– কোনচাং গেং রেপ কেসতা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা খুন্তি কোর্ট অমনা খৃষ্টান পুরোহিৎ অমা অমসুং মফমদুগী নহা ৫বু জেলদা পূন্সি চুপ্পা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

খৃষ্টিয়ান পুরোহিৎ, ফাদর অলফোনসে এইনবু লৌতুনবগীদমক চৈরাক অসি পীখিবনি। নহা ৩বুনা গেং রেপ তৌবগী অমসুং অতোপ্পা নহা ২ অদুনা ইনশিনবগীনি।

খুন্তি দিষ্ট্রিক্টকী মনূং হঞ্জিননা লৈবা কোনচাং খূন্দা হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী মায়োক্তা খূঞ্জাশিংদা লৌশিং শন্দোক্লবা হৌখিবা চহীগী জুন ১৯দা ষ্ট্রিট প্লে অমা শান্নরিঙৈদা নুপীশিং অদু ফারগা পুখিবনি অমসুং গেং–রেপ তৌখিবনি।

রেপ ক্রাইমগী মফম অদুদা খৃষ্টান ফাদর অদু মশা লৈত্রবসু মহাকপু সেক্সন ১২০ বি (ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি) অমসুং সেক্সন ৩৭৬ দি (রেপ)কী মখাদা মপূন্সি চুপ্পগী চৈরাক অদু লাওথোক্লদুনা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট জজ রাজেশ কুমারনা কনস্পিরেটরশিংসু রেপিষ্টশিং অদুগুম্না চপ মান্নবা চৈরাক ফংগদবনি হায়খি।

জজনা ফাদর অদুগী মথক্তা লূপা লাক্ষ ১গী ফাইনগী চৈরাকসু পীখি। করিগুম্বা মদু শোয়রবদি চহী ২গী অহেনবা জেলগী চৈরাক ফংগদবনি হায়খি।

রেপিষ্ট ৩– জুনাজ মুন্দা, আয়ুব পুরতি অমসুং বাজি সমাদপুসু পূন্সি চুপ্পগী চৈরাক অদুগী মথক্তা লূপা লাক্ষ অমমমগী ফাইগী চৈরাক অদুসু পীখি।

জোন জোনাস তিরু অমসুং বলরাম সমাদ কৌবা অতোপ্পা কনভিক ২ অদু ত্রাইবেল ওতোনোমিগী মুভমেন্ট অমা ওইরিবা পথালগরহিগী শৌগৎপশিংনি। ক্রাইম ইনশিনবগা মরীলৈনবা আই পি সিগী সেক্সনশিংগী মখাদা চৈরাক পীখিবনি।

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-125**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | 7 | 1 | | 4 | |
| 5 | 4 | | | | | | 7 | 2 |
| 7 | | | 2 | 4 | | 8 | | |
| | 2 | | 5 | | 7 | | | 4 |
| | | 4 | 6 | | | 7 | | 8 |
| 6 | | | | 8 | 3 | 2 | | |
| | 3 | 8 | | | 4 | 6 | | |
| 4 | | | 7 | | | | 2 | |
| | 7 | 6 | | 2 | | | | |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 29/03/19
Valid : 28/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 01/04/19
Sl. No. : 9830
Valid : 30/03/19
Sl. No. : 9181
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 19/04/19
Sl. No. : Up to 200
Valid : 14/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 04/04/19
Sl. No. : 680
Valid : 03/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 20/04/19
Valid : 13/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**সনা–সুদোকু – ১২৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 6 | 3 | 1 | 9 | 8 | 4 | 2 |
| 8 | 1 | 2 | 4 | 5 | 6 | 7 | 3 | 9 |
| 4 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 6 | 1 |
| 2 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 | 6 | 7 | 4 |
| 5 | 7 | 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 9 | 3 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 2 | 3 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 6 | 4 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 2 | 7 | 6 | 3 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 1 | 8 | 5 | 9 | 4 | 7 | 3 | 2 | 6 |